## এডিটোরিয়েল

# অনৌবা চহিনা লাকপদা পূন্নমক য়াইফবা ওইহনবিরসনু

অরিবা চহি ২০১৩ মখল মখা কয়াগী অৱা–নুংঙাইগা য়ান্নবা থৌদোক ৱাথোক কয়াগা লোয়ননা হৌখ্রে। চহি অসিগী মনুংদা নুপীদা চথ্‌বা ক্রাইম কয়া অমা থোকখি অমসুং ক্রাইমশিং অদুগী মতাংদা মণিপুরদা খ্বায়দগী হেন্না থুবা মওংদা কেসশিং লোয়শিন্দুনা মরাল লৈবশিং চপ চাবা চৈরাক পীবা ঙমখিবা চহি অমনি হায়না লৌবা য়াই। মণিপুরগী কোর্টশিংদা কেস কয়া অমা পেন্দিংদা লৈরবসু কেস মশিং কয়া অমা লোয়শিন্নবা থৌরাং পায়খত্তুনা লোয়শিনখিবা চহি অমা হায়বদুগী অহৌবা অমসু ওইখিবা চহি অমনি। মণিপুরদা পায়খৎপা সরকারগী য়াইফ থৌরাংগী থবক কয়াগী মনুংদা ইম্ফাল ইয়ারপোর্ট ইন্টর্নেসনেলগী থাক্তা ওনখৎপা ঙমখিবা চহি অসিগী খ্বায়দগী চাওবা মণিপুর সরকারনা মীয়ামদা পীবা খুদোল ওইনা লৌনখি। নাকল অমদনা চহিসিদা ঙমখে শন্বল খাবগী মতাংদা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইদুনা হৌজিকসু হেন্না পাকথোক–চাওথোরকপা মখলগী ইশু অমা হায়বদু ওইরি। চহি অমা হায়বসি হৌখিবগা লোইশিল্লকপগা ইমান–মান্নবগুম তৌখি। থৌদোক–ৱাথোক কয়াগী মরক্তা চহি অসি লোইখিবা খঙহৌদে হায়বমক য়াই। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী ওইনসু অনৌবা বিল কয়া পুথোক্তুনা মীয়ামদা খুদোল তৌখিবা চহিনি। অওনবা কয়া চহি অসিগী মনুংদা লাকখি অমসুং পুরক্লবসু মীয়াম্না হোৎনখি। মণিপুরগী শান্নরোই কয়া অমা মখোয় মখোয়গী লাইফ তাইম এচিভমেন্টশিং ফংখিবা ২০১৩ নি হায়না লৌবদা কাইদে। ওইরক্লিবা ফিভম কয়াদা শাগৎলকখিবা মঙ কয়া মঙফাওনবা ঙমদবসু য়াওখি। শেল থুমগী লমদা মণিপুর চাওখৎলবা ষ্টেটশিংগী থাক অমদা য়ৌরে হায়না ফাওবা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা লৌখিবা চহি অমসু ওইখি। মসিনা মণিপুরগী শেলমিৎলোন্দা অশোকপা নৎত্রগা অশোইবা কয়া অমা লাক্লিংঙাইগী মচাক অমসু ওইখিবনি। চহিসিদা পোলিটিকেল এরেনাদা সেন্তরগী ওইনা অওনবা কয়া অমসু লাকখ্রে। মথং চহিদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা রাজনিতিগী অহোংবা কয়া অসি লাকখিবনি হায়না মীয়াম্না লৌনখিবা চহি অমসু ওইখি। চহিসিদা সনালৈবাক পাউচে অসিসু হান্নগী সবক্রাইভরশিংনা হেন্না সপোর্ট পীবিবদগী হান্নগী ফিভমদগী হেন্না অফবা মওং অমদা পুথোকপা ঙমজখিবা চহিনি। চহিসিদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াগী পাউদম মীয়ামদা চপ চানা তমজদুনা মীৎ নাকোং শিংহনবদা পাউচে অসিনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌবা ঙমজখিবা অসিমক শিংথানিঙাই ওইবা দিবলপমেন্ট অমনি হায়না লৌজে। মসি পুম্বা মীয়াম্না পাংবিবা মতেংদগীনি হায়না থমজরি।

হৌখিবা চহিনা পীরম্বা খুদোল কয়া অদু ঙসিসু মীয়াম্না কাওদ্রি অমসুং চহিসিগী খুদোলনা অনৌবা চহিদা হেন্না য়াইফবা অমা মণিপুরগী মীয়ামদা শোইদনা পুরকপা হায়বদু পীনবিরমগনি হায়বগী থাজবসু মীয়ামগী মফমদা থমজরি। অরিবা চহিনা চৎখিবা মতমদা মীয়ামদা থেংনগদবা অৱা–অনা পুম্বা পুখ্রসনু। অনৌবা চহিনা য়াইফবা অদুখক্তমক মীয়ামদা পীনবিরকপা ওইসনু হায়না পুন্নমকপু শেম্বীবা মপুদা নীজরি। অনৌবা চহি অসিদা মীয়াম্না হৌজিক আশা তৌনরিবদি শেঞ্জা–থুমজা লৈতবা মীয়ামগী ওইবা শেনফম কয়া অমদি য়াইফা থৌরাংগী কান্নবশিং অদু লৈবাক অসিগী সিটিজেন পুম্বদা পীদুনা হেন্না চাওখৎপা থাক অমদা পুখৎলকপা ঙম্বা হায়বদুনি। মদুমকসু ওইথোক্লিংঙাই কয়া লৈতবা নত্তে। লৈঙাকলোনদা নুপীশিংগী তোঙানবা সিট রিজার্ব তৌদুনা ৱায়েল থৌদাগী থবক্তা অনৌবা চহি অসিদগী অচৌবা থৌদাং অমা লৌবা ঙম্বসু ওইরকপা য়ারি। নুপীশিংদা পীবা শক্তি হেনগৎহন্দুনা নুপী অমসুং নুপা অনিমক মান্নবা থাক অমদা পুখৎপা ঙম্বা চহি অমা হায়বদুসু ওইহনবিসনু। মণিপুরগী মীয়ামদা হেন্না য়াইফবা কয়া অমা অনৌবা চহিনা লাকপদা পীনবগীদমক সরকারগী লৈরিবা দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্লা মাগী–মাগী তৌফম থোকপা মথৌশিং মীয়ামগীনি খল্লগা পাংথোকহল্লক্কনি অমসুং মদুনা য়াম্না ইফিসিয়েল ওইবা গভর্নান্স অমা শোইদনা লাকপা চহি অমা হায়বদু ওইহনবিসনু । মীয়ামগী হক চপ চানা খঙদুনা অনৌবা সেন্তরগী সরকার অমা শেম্লকপদা থৌদাং চাওনা লৌরকপা য়াবা চহি অসিনা অনৌবা ওইদুনা মখল মখা কয়াগী অহৌবা পুরকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াবু চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী মরক্তা তিনহন্দুনা লৈবাকসিদা লৈরিবা মীয়ামগী শেনমিৎলোন অদু হেন্না ফগৎলকপা চহি অমা হায়বদুসু ওইহল্লসি। অরিবা চহি ২০১৩বু ঙসিদগী কায়নখ্রবা মতুংসিদা অনৌবা ২০১৪ বু তরাম্না ওকচবগা লোয়ননা পাউচে অসিগী এদিটোরিয়েল অমসুং মেনেজমেন্ট ষ্টাফকী মায়কৈদগী পাউচে অসিদা অচৌবা থৌদাং কয়া অমা পুবিরিবা কলমনিষ্টশিং, সবক্রাইবরশিং অমদি পাউচে অসিগী য়াইফনবা খনবিরিবা মীওই খুদিংমক্কী মফমদা মরুওইনা মণিপুরগী মীয়াম পুম্বদা য়াইফা পাউজেল পিজবগা লোয়ননা অনৌবা চহি অসিনা পুন্নমক্তা য়াইফবা পীবিরসনু হায়না পাউজেঞ্জরি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# হেন্না চাওখৎপা মওংদা অনৌবা চহিবু ওকপিয়ু

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

[3]মালেমগী চাওখৎ খোঙথাং অসিদা অওনবা কয়া লাকপগা লোয়ননা মণিপুরগী খুনাইগী মশক অসিদসু অওনবা অমা লাকপগা লোয়ননা খুনাইগী মচৎ অসি নোংমা–নোংমগী হোংলক্লি। হৌজিক অনৌবা চহি অমসুং অরিবা চহি অনিগী লংদাই নুমিৎ অসিদা মণিপুরগী খুনাইসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মীওই কাঙলুপশিংগী মরুপ–মপাং ওইবা অমদি ইমুং–মনুংগী ওইবা চাকচা হৈজানবগী থৌরম কয়াসু পাঙথোক্লরি। মসিগীদমক অনৌবা চহি হৌবা নুমিৎ অসি মণিপুর সরকারগী মায়কৈদগী হোলিদে লাউথোক্তুনা মালেমগী মফম খুদিংদা পাঙথোক্লবগুম অনৌবা চহি ওকপগী থৌরমদা শরুক য়াহন্নবা হোৎনরি। মসিদা অহোংবা মতমগীনি হায়দুনা কা হেন্না নিষা শীজিন্নবা অমসুং লাও খোংদুনা মীয়ামগী ইংনা তপ্পা পাঞ্জরিবা পুন্সিগী মওংশিংদা অকায়বা পীদনবা হোৎনদুনা থৌরমশিং অসি পাঙথোকপীয়ু হায়না পাউচেগী খুত্থাংদা পাউজেঞ্জদুনা হেন্না চাওখৎপা মওংদা অনৌবা চহিবু ওক্লসি হায়না ফোঙদোকচরি।

*অদোমগী,*

**জি. মুণি শর্ম্মা**

পাৎশোই।

# ইশু শা ঙসিসে ন্যু ইয়রনিকো

## বি কে শর্ম্মা

চহি হেক খুদিংগী লাকই দিসেম্বর তাং ৩১ অমদি জনুৱারি তাং ১। ঐনা নহা ওইরিঙৈ, তুংগী লম্বীনা ওখাক শাংলিঙৈ– ওইরকপা য়াবা কয়া অমা আশা তৌবা য়ারিঙৈ, মতমদুদা হায়রিবা নুমিৎশিং অসিদা ঐসু নখোয়দৌনা জগোই শাখি ইশৈ শকখি। হৌখিবা ২০১২ গী দিসেম্বর ৩১ অমদি ২০১৩ গী জনুৱারি ১ দসু ঐ জগোই শাখি ইশৈ শকখি। মদো ঙরাংতা ওইরবোই নিংলি। খঙহৌদে মতমসে ওন্থোক্লা য়াংনা চেকশিল্লকখ্রে। ঙসিসিসু ওইররেদনা ২০১৪ চহিগী অহৌবা নুমিৎ জনুৱারি তাং ১। ঙরাং অহিং ঊন পুবা অইংবা মরক্তা মৈজাও থাদুনা শা–য়েনগী মথেল চথ্‌দুনা, প্লাষ্টিক ময়োম কয়া হুৎতত্তুনা, লিক্লি অতেনবা অশাংবা কয়া মঙক লৈখায়দুনা কাহল্লক্লবা নিষাগী ময়াক্তা লাও খোংখি বাই.... বাই....। ঙসিনা চহি হৌরে হায়বগী কিক্লিবা কয়া চাকচা হৈজানবা কয়া....। মতম্না হঞ্জিন হঞ্জিন পুদুনা লাকই অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসে।

নহা ওইরিঙৈ মতমদুদদি মতমগী খোঙজেল (স্পিদ) সি তপখিবোই নিংখি। হৌজিক্তি স্পিদসি য়াম্না য়াংলে। মতমদুদা খনখিবনি, শক ২০১০, ২০১১, ২০১২, ২০১৩, ২০১৪ কাসি অগাধা অমা লাপ্পদৌনা। অদুবু ঐ, পুন্সিগী ইপাকসিদা তোর্বান্দগী ফনা য়াম্না থাপ্পা চত্তুনা লৈরম্লে–হন্না য়েংবদা তোর্বান্দু উবা ইফং ফংলক্ত্রে। অসুক থুরবা মতমগী খোঙজেলসিদা লমদমসিগী মহুৎ শিনবা য়াররোইদবা তাংলবা মতমসে চেকশিনহৌদবা থৌশাহৌদবদগী লোইনা ইনাক্তগী নাম্থোক্তুনা চৎখিরম্লে। ইনাক্তা চাউখৎপা অহোংবা অমত্তদি থম্বীরমদ্রে। হোংলিবা হায়ববু হোংলরোইদবশিংগী মহুৎ মখোয়গী খোঙ্গুলদু ওইনা চাউখৎপগী খোঙচত্তি চৎপা ঙমদনা মা–মাদুনা লৈরম্বা মতৌসি খঙলকপদগী ঐ জগোই শাবা লেপখিবনি, ইশৈ শকখিদবনি। ঐনা খংলকখি– হিরা, মণি–মুক্তানসু থম্বীরম্লে। লৈবাকসিগী তাংলবা স্কোলার–পন্দিটশিং, মীয়ামগী লুচিংবা কয়া, মমা লৈবাক মনিং তম্বা পুরক্লবা চোংথোক্তুনা মপুন্সি কখোক্তুনা হোৎনরিবা কয়া,




রাজনিতিগী লুচিংবা কয়া তাইবং থাদোক্তুনা চৎখিরম্লে। লৈকায়গী অহল–লমন অমদি ইখোলনুংগী ইবুধৌ, ইখুরা–ইন্দোন, ইচা–ইনাও কয়াগী মশক উখিদরে। ঐ তোর্বান্দুদগী অসুক শাংনা চত্তুনা লৈরম্লবা ফাওবদা অহোংবা লৈত্রবা শক্তমশিংসিনা ঐগী তুং–মাং, নাক–য়েত্তা চয়োম শাদুনা লৈরম্লে । অহোংবা লৈত্রবা মণিপুরগী রাজনিতিগী মচৎ, লৈঙাক্কী শকওং, অহোংবা লৈত্রবা প্রজাগী ইতাও তাওবা কোকয়াম, মর্জর এগ্রিমেন্টতা ভারতনা কংলৈপাক (মণিপুর) পু মীনমদুনা লাকখিবগী হোংবা লৈত্রবা শক্তমশিং অসিনা তম্নলাই ওইদুনা লৈরম্লে। অচুম্বা অহোংবা হায়বদু লৈবাকসিগী ওইনা লাক্ত্রি। অচুম্বা অহোংবদু করম্বা কান্দা লাক্কদগে? ঐ ইশা অসুক শাংনা তোর্বান্দগী চত্তুনা লৈরম্লবা ফাওবদা ঐঙোন্দা শেৎচিনবীরকখিবা ফিজোলশিং অদুমক শেৎ–চাদুনা লৈরম্লী। দিসেম্বর ৩১ গী অহিং হেক ওইরকখিবা খুদিংগী ঐসু অতিয়া থক্তা মৈথোক বোম কাপখত্তুনা অঙৌবা–অঙাংবগী লৈয়েং ফাইখিবা ঐগী চিনসিনা লাওখি বাই.... বাই...। অদুবু ঐ অমুক্তহেক ফাওবা অঙ্ক হোৎলগদি য়েংলুখিদে লৈবাকসিগীদমক্তা ঐনা করি পিবা ঙমখ্রবগে হায়বদু। অদুক শাংনা হিংলক্লসিফাওবদা লৈবাকসিগীদমক্তনি হায়বা ঐ খুৎপিমুক চাওবা অমফাওবা তৌরক্ত্রি হায়বা খংলকখিবনি। অসুম্না খংলকপা মতমসিদদি ঐ ইশু ময়ামগী মথৌ ওইদুনা পাঙ্গল থৌনা, ৱাখল পুক্লিং শাথিনা ময়াং কংদুনা লৈরম্লে।

ঙসিসে ২০১৪ গী জনুৱারি ১ ওইরবসু লৈবাকসিদা লৈরিবা ইশু ময়ামগী তুংগী নুংঙাই য়াইফবা লম্বী অমগী অচুম্বা অওনবদু পিবীরম্নবগীদম ঐ অঙ্ক হোৎলম্বগী পাঙ্গলদু য়াওরমদ্রে। ইশুশা নখোয়না করি পাংথোকখ্রবগে হায়বদু মিৎনা চেজেৎ উইশিল্লগা ধ্যান তৌদুনা য়েংউ অদুগা বাই.... বাই.... তৌ। পাংথোক্কদবা থবক থৌরম ময়াম'মগী প্লান অমগা লোয়ননা থৌনা ফনা হায়য়ু 'হেপ্পি ন্যু ইয়ার ... ৱেলকম য়ু।

# লুহোংলোন অমসুং হিংনলোন

## – মমি লুৱাং –

হৌজিক কুইদ্রে লুহোং–পাম্বা য়ৌরক্কদৌরে। লুহোংবা খূৎহোংসি অয়াম্বনা চেন–চোংনা চাম্মাদা ৯৯দি ওই হায়বা তাই। মতম অমদা হায়নরম্বা পোইনু–লাংবন কারগা /হায়ন–শিংনবা কয়াগী পুংফম খেনফম ফবা, অফবা থৱান, মপোক থা থাশি মায়কৈ মখল কয়াগী খূৎলৌ, ফৌনা পাদম শাবি–শানৌ কয়ানা মা–মাগী পূক্লিংনা খোয়দাবা কনাগা পুন্সি লৈপুন শেমদুনা নুংশি ৱাইথুংনজবা। মতম অমগী নুংশিবা ফি থোংলমই। অদুবু হৌজিক্কী মতমগী নুংশিবগী ফিজেৎতি মালং ফিজেৎনবগা পাঙ্খক ওইরবা জাৎনি। অদুনবু মহৌশাগী খূৎদোলখক্তমক পাঙথোকচরগা মশাগী শাগোন্নবা জাৎ হুই–হৌদোং ষন–ইরোই য়ুমগী অমসুং লমগী খায়দনা। শাশিংগী মনুংদসু অহল লম্মনশিং হায়নরম্বা ঙাংন–শক্লরম্বা তাহৌবদা শাশিংগী মনুংদা শামু লাবা অমোম তিন্নবা 'খোয় মীওইবা অমনা পাক হেক্তা উবা ফংবা নত্তে। অদুগা অসিমসু শামু অমোম্না ময়ুং হানবা 'হাক্লা অমুক্তা উবা ফংদ্রি। অদুবু উবা ফংগদ্রা খনখি। 'খোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা শামু শঙদা বীরসেন য়াতোমপোক, চৈরাওবী হায়না খঙনবা শামু কয়া লৈরম্বা থেংনখি। মদুদা চৈরাওবী হায়বসিদি মচা চেল্লি। করিগুম্বা মতমদা মহুদনা পুদুনা কৈ থোক্লকপদা'খোয়না শামু লাকএ–শামু লাকএ হায়দুনা লাপ্তক্লা মতুং ইন্নদুনা নুমিৎ চুপ্পা য়েংখি। অদুক কুইবা মতমদুদা শামু মপি অদু ময়ুং হানবা উবা ফংখিদে। করিগুম্বদা মহাক্লা হেক্তা ময়ুং হান্নিংবা মতমদা হান্দোকই। মসিগী মতাংদা 'গী পূক্লিংদা ফাওজরকপা ৱাখলদি মীওইবগুম ফিশেৎত্রবসু শামু অমোমদি অশুক্কি মতিক চেকশিল্লি হায়না খল্লি। 'না থেংনদবদগীসু ওইরম্বা য়াই। অসিমসু হায়নৈল শামু চাজেন্নি ইনাকখুনবা চাবোকনি। হৌজিক্কি মতমদা সরকারগী খূজিল থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ফেমিলি প্লান্নিং হায়বগুম্বা জাৎনি। হৌজিক হৌজিক হিংদুনা লৈরিবা মীওইবা খূনাই অসিদি মীতৌ খোঙচৎ অমনি হায়না লৌই। থৌদোক–থৌরম–থৌদা ঙম্নমক চাউখৎপা অমদি চাউখৎপগী থৌওংনা চপ চানা পাউখুম পীগদৌরিবনি। নত্তদুনা 'খোয়দি থায়নদি অসুম হায়না অসুম তৌরকই হায়বদো হিংবগা চান্নদবা হৌজিক্কী মতমদা থোক্তবসু নত্তে। রেষ্টুরেন্টদা অদু তৌরম্লে অদা তৌরম্লে, নাতে চাদবা ফীভমদা লৈরম্বদগী ফারে পুল্লে , মচা–মৱা লৈরবী কয়া, স্কুলগী যুনিফোর্ম শেৎন–শেৎনা করিনো করিনো তৌরম্লে নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে। ফাবা নংহৌদ্রে রেষ্টুরেন্ট অদুনা মৈ থাদোকখ্রে। অসিগুম্বা থৌওং অসি করম্বা লম্লক্কী শা করম্বা য়ুম্লক্কী শাগী মতৌ তম্বনো? মীয়াম্না মরিক চুম্না খঙবীরসনু। শামু মচুম তাবা হায়বসি 'খোয়না তাবদা করিবু ওইরিদৌনা খন্নমই। অদুদগী অতৈ করিসু ওইরমদ্রে। শামু লাবগী চুবাদা লৈবা অপিকপা পামখুল অমদগী য়াম্না লিক্লা মহি চেম্বরক্লগা মখয়াত্তা চংখ্রগা। অদুদগী শামুলাবা ওইরিবা মহাক্লা শামু অমোমগা তিন্ননিংবা অপাম্বা লাকপদগী মহাক্লা নক্লা লৈমিন্নরিবা অমোমদু ঙাথু–থেংথুদনা জঙ্গল অশুকপদা মী–পোং উদবা মফমদা চৎমিন্নখ্রগা লাবা–অন্মোম উন্নবগী মথৌ পাঙথোকপনি হায়না ইয়াম্বা নিমাইনা নোংমা তাকপীখি। 'খোয় মীদি কদায় মীমাং–পোমাং খঙদনা নাইট সুপর মনুংদা পান্দোংবিরে। অসিদা নত্তে অঙকপা থৌদোক কয়ানি মালেমগী ওইনা য়েংলুরবসু নুপা–নুপী হকতিন ৱাথোক অসিদি ৱাখল খনবা ঙমদবা শাদগী হেন্না তোনবা থাক্লি হায়জনিংই।

লুহোংবগী ৱাফমসি হায়ন–শিংনদুনা লুহোং খোংদোংবা পাঙথোকপসিদি থোইনবু ইতা–তানদ্রে। কনাগুম্বা হায়ন–শিংনদুনা লুহোংবা তারবসু চেন–চোংলগা পাঙথোকপা ওইনা অদুম উনরে। মীৎয়েং অমদা লুহোং খোংদোংবগী প্লান তৌরবা তুংগী মীৎয়েং শাংনা উবদা য়ুমফম ওইবা লুহোংবদু ওইহন্নিংই। মরমদি হৌজিক হৌজিক নুমিৎ খূদিংগী ফোঙলিবা পাউচেগী লমায়দা থেংনদে হায়বগী ৱানি। মচি–মচিদা মৱা হুন্দোক্লম্লগা অদুদা চেনখ্রে–ন্দাদা চেনখ্রে মসি অনৌবা ওইশিল্লক্ত্রে । তোইনা থোকচিল্লকপদগী মনা–মনিল নাইনরক্ত্রে। অফবদি ওইরক্কদবা মান্দে। অফবা ওইফমসু থোক্তবনি মরমদি মৱা মপুরোইবনা শিখ্রবা ফাওবদা ফম নিংথৌদগী মপুরোইবগী থৱায় মুন্দুনা লৌহৌই হায়বগীদমক্তা শতি শাবিত্রিগী ৱারি কনানসু কাউনদ্রিবনি। 'খোয়গীদি কদায় মীংগৌ থাগৌ নক্লবশিংসিনা তৌথোরক্লিবা থবকশিং তোবদা হঙ্গোয়নরবা ঙাক্তা। য়ুম–কৈ পান্দুনা য়ুম্লিং খূল্লিংদুনা তাইবঙ চাদা–নাওদাবা হায়বসে ইরাই লায়না হেক্তা থোকপদি নত্তে হৌজিক্কী মতমদা। অদুবু ঙসিদি লুহোংবদি চেল্লুরগা নোংঙাল্লগা পাউহন্নরগা খূদক্তা হেক্তা লুহোংবনসু কোঙ্গাই অমনি। মসিনা লুহোংলিবা নুপা–নুপী অদুগী কয়াম শাংবা হিংদুনা লৈবা পুন্সি খোঙচৎ ফি লম্বীনো? হংনফম তানফম থোক্ত্রা? অমরোমদসু লুহোংবগী থৌরম পাঙথোকপদা অউনপোংনা মপুং ফারগা ফজনা লুহোংবা মপুং ফাবা লুহোংবা ওইনা উনবা ঙসিগী খুন্নাই অসিগী সমাজ অসিগী মচেৎ অসিনা কদায় ফাওবা চুন্নি। মচা নিঙোলগীদমক্তা মমা–মপা ওইবনা মচাগীদমক পীনিংবা হায়বসিদি পেনবা নাইবা লোইবা নাইবা নত্তে। 'খোয় ইমানা 'খোয় ইচেগী অউনপোৎ পীবসিগীদমক্তা মশাবু অউনপোৎ ওইনা পীরগা পেনগনি হায়রম্মী।

ইমা পোকপা ইবোক্লা 'খোয়না ফনা চাওর ফাওবদা ইবোক্লা শোল্লি–শোল্লি মখ্বাং কোন্তক তৌনা মমিৎ উবোই উদবোই য়েত্তুম পাইদুনা পোমফি শেমদুনা নিংথম থাদা ইশুশিং ইংলম্লগনি হায়দুনা ফৈজুপ ওইনবা পীরকখিবদো। ইবোক্লা শিদ্রি ফাওবদা ইমাগী আউনপোৎ পীবা লোয়বা নাইখিদে। কয়াদনো মমানা মচাগীদমক তমনিংবা আউনপোৎকী খূদোল। মসিগী মচৎ অসিদি ইমুং মনুং শেনথুমগী ফিভম থোইনা শোক্লবা নত্তে। অদুবু হৌজিক্কী টাটা ট্রেক মপোৎ কয়া উন্নরিবা আউনপোৎ অসিদি তুং কোইবা য়ুম্বাল্লোন্দা য়ুম্বম ওইদমাল্লে হায়জনিংই। অদু য়ৌনা অদুক চাউনা অওং অউন তমদুনা মচা ইবেম্মা থোইবিগুম তৌৱোৎ চামা তমং চামা চামা চামানা খূজিং ওইদুনা মপা ইবুংঙো চীংখুবা ৱাঙ্গোন নিংথৌনা মচাগীদমক্তা অওং অউন তমই হায়দা ইপান–পম্বৌশিং অসুম্না শৈথারমই। পেনা শৈহেক্কি অশৈবশিংনা 'গী মরুপ ইয়াম্বা জয়কুমারনা 'ঙোন্দা তাকপীবদা আউনপোৎ ইয়াওমক য়াওদ্রবদি লুহোংবা চিংদে হায়বদুদা 'সু 'গী ইমুংগী মৌ অমগী তঙাইফদবা লৈবদুদা ইজরিবা কলমসিদা মনুংসিদা আউনপোৎ ইয়াও–য়াওদবা ইমুংগা চান্নগদবা য়ুম্বাল্লোন খঙগদবী অমা মৌ ওইনবা পামজৈ হায়জখি। ঙসি ফাওবদি পাউখুম অমত্তা লাক্ত্রি । কনাগুম্বা মমা মপা ওইবনা মচা নিঙোলগীদমক্তা লুহোংবদা আউনপোৎতা লুপা লাখ কয়া কয়ানা খূজিং ওইদুনা অওং অউন তম্বা কা–হেন্না চৎনবী ওইরক্লে। অৰৈবা–লৈতবা থিদনা। (মথং মথং)

# য়োংনা তল য়েনবগী সিষ্টেম মুখৎশি, মণিপুর কন্সি

## – দাঃ আইচ –

বৃটিস ইম্পেরিয়েলিষ্টকী কোলো নিয়েল লৈঙাক ইন্দিয়াদা চৎথবদা হেন্না খুদোং চানবগীদমক ইন্দিয়াগী লমশিং, মীয়ামশিং তোখাই তোখাইনা খুৎশেম্না খাইদোকখিবগী থবক চৎথবিরম্মী। ইন্দিয়াগী মীচম মীয়াম অমত্ত ওইনা পুন্সিনবনা শক্তি হেনগৎলকই, নেসনেল লিবরেসন মুভমেন্ট মপাঙ্গল কনখৎ লকই, বৃটিস ইম্পেরিয়েলিষ্টগী লৈঙাক মরু ফুক্তোক্লবা হোৎনরকই, মীন মীবু ওৎপীবগী নিতি মুখৎলকই। অদুবু ইন্দিয়াগী মীয়াম মচোই মচোই তাহন্দুনা ফুরুপ মশেনল নুংশিনহন্দনা/পুন্সিনহন্দনা থম্বা 'দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি' বৃটিস কোলোনিয়েল পাৱরগীদি য়াম্না ফবা খুৎলাই ওইনা শিজিন্নরম্মী।

অনিশুবা মালেমগী লাঞ্জাও লোইশি ল্লকপদা বৃটিস ইকনোমী মপাঙ্গল য়াম্না শোন্থরম্মী, মখা তানা মহাক্কী কোলোনি লৈবাকশিংদা সাসন চলাইবা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈরক্ত্রে,বৃটিস পার্লিয়ামেন্ট লেবর পার্টিনা সরকার পাইবা ঙমলে, মালেমগী পোলিটিতেল ফিভমদসু চাওনা অহোংবা লাকখ্রে। মরম কয়ামরুম অসিনা বৃটিস ইম্পেরিয়েলিষ্টনা শক ১৯৪৭ দা ভারত থাদোক্লবা বৃটিস পালিয়ামেন্টনা ৱারেপ তারম্মী। বৃটিসনা ইন্দিয়া থাদোকত্রিঙৈদা লৈঙাকলোনগী শক্তি মতমদুগী ইন্দিয়াগী শেঞ্জাও পাইবা ইলাইত গ্রুপ, (জমীন দার, বুজ্জৱা) শিংদা শিন্নথোক্লম্মী, মদুনা ইন্দিয়া অমদি বৃটিস লৈঙাক্কা তুংকোইনা চৎমীন্নবা য়ানবগী লম্বী য়াৎপনি। ইন্দিয়া মনিং তম্লে, মালেমগী দিমোক্রেসি চৎপা অচৌবা লৈবাক অমা ওইরে, অদুম ওইনমক মীনা মীবু ওৎপীবগী লীচৎ অদুবুদি করিমতা কায়দনা সিস্তেম অদু মখা তানা চৎথবা য়াহল্লি। ইন্দিয়া লৈঙাকলোইগী মপুদি হোংদোক্লবসু বৃটিস লিগেসি অমসুং বৃটিস মতমগী ইন্টেলেকচ্যুএল কলচর অদু মখা তাথনা নৌনা শক্তি পাইরকইবা ইন্দিয়াগী শেঞ্জাও পাইবশিংনা পুথদুনা লাকই। খুদম ওইনা বৃটিস পোলিসি 'দিভাইদ এন্দ রুল', 'কেরোৎ এন্দ ষ্টিক' অফসপানচিংবা ঙসিগী সরকার অসিনা য়াম্না পাম্না শিজিন্নরি, অমসুং ষ্টেট মেকানিজম অসিনা সিস্তেম অসি মখা তাথবা ওইথোকহল্লি। অমরোমদা নীং তম্বা চহী ৬৩ মপুং ফারকপগী কুমওন থৌরম পাংথোকখ্রবসু ইন্দিয়াগী মশীং য়াম্লবা লৌমী শিন ম্নী তোল্ল তারবা মীয়াম নীংতম্বগী মহাও মশক খঙদ্রি, পোলিতিকেল ফ্রিদম ফংলবসু ইকনোমী সোভেরেন্টি মীয়ামশিংদা ফংহনবা ঙমদ্রি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী লৌমী লায়রবা চহী খুদিংগী লায়রবগী পোৎলুম পুবা ঙমক্তবদগী আত্মঘাট তৌদুনা লাক্ষ কয়ামরুম শিরি।

'লোজ ওফ সোসিয়েল দিভেলপমেন্ট' গী মতুং ইন্না মী মীবু ওৎপীবা সিস্তেম মনুংদা তোল্ল তরবা মীয়াম্না মীওৎ মীনৈ চৎথবা য়াহল্লিবা লৈঙাকলোন মরু ফুক্তোক্লবা হোৎনরকই। অঙম অথৌ শিংগী চৌক্রিনোম্বা হৌরকই, য়াওল ইহৌ মাই পাক্লা পাংথোক্তুনা মীচম মীয়ামগী রিভোল্যুসনরি গর্ভনমেন্ট অমা শেম্লকপা, য়ানবা খুন্নাই লৈঙাকলোন শেৎমীৎলোম্না মহুৎ শিনজিনবা চৎনরি। ওৎপীরবশিংনা চৎথবা ইহৌ অসিবু মপাঙ্গল শোন্থনবগী মায় পাক্তনবগী পান্থে ওইনা ওৎপীরিবশিংনা মীচম মীয়াম পুন্সিন্দনবা হোৎনরকই, তোল্ল তারব শিংগী মশানা মশাগী ক্লাস করেক্টর মশক খঙবা ঙমদনবা ধর্ম্মগী থাজবদা মোন্দ্রং শান্নদুনা থম্বী , তোল্ল তারবা মীচম মীয়ামগী লৈঙাকলোনগী লৌশিং জ্ঞ্যান (পোলিতিকেল কনসিয়সনেস) অৱাংবা থাক্তা কাখৎপা ঙমদনবা থৌরাংদা ফুরুপ খুদিংমক্কী লায়রবশিংগী মরক্তা ফুরুপকী খেন্নবা ৱাফমনা ইসু ওইনা শাগৎতুনা শীংচেপ থাজিনবী হায়বসি শক্তি পাইরীবা শেঞ্জাও পাইবশিংগী লালোংনি। ফুরুপ খুদিংমক্তা য়াওরিবা লৈঙাকলোনগী শক্তি পাইদুনা খুদোংচাবা লৌরিবশিংনা ফুরুপ মশেল নুংশিনহন্দবা, হাৎনবা, য়েংথিনবা কয়ামরুম চৎথনবা হু কামশিনলি। মদুনা তোল্ল তারবা লায়রবা মশেল হাৎতোক্লহনবা ওইথোকহল্লি, অশোনব শিংগী লায়রবশিংগী পুন্সিন্দুনা শক্তি শাগৎপা মাইথিহল্লি। তোল্ল তারবা মীচম মীয়াম্না য়াইতোং ফমদোংবশিংগী চৌক্রি নোমনবগী ইহৌ মপাঙ্গল শোন্থহনবী অদুম্না বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোকখ্রবা মতুংদসু মপু শিন্দোক্লবগী ৱাফম খক্তনী সিস্তেম অদুদী লেঙদনা লৈহৌরিবনিনা মীনা মীবু ওৎপীবগী নিতি ইন্দিয়াদা মখা শমথরকহ।

থবক অসিবু পাংথোকপা য়াহনবগী পান্থে ওইরিবা ফুরুপ মশেল নুংশিনহনদ বা, হাৎনহনবা হায়বসি ইন্দিয়ানা বৃটিসকী পীবুকনুংদা মীরোল্লিঙৈদগী য়াওখ্রবনি। সিস্তেম অসিগী লু তোংদা য়াওখ্রবা কম্যুনিলিজমগী লীচৎনী। ধর্ম্মদা য়ুম্বম ওইবা হিন্দু অমসুং মুসলমান ফুরুপ খাইদোক্লবা হু কামশিনবা, অপুনবা ইন্দিয়াদগী পাকিষ্টান খাইদোকখিবা, কাস্মিরগী ৱাথোক ঙসি ফাওবদা লোইশিনবা ঙমদ্রিবা, গুজারাট রাইওট তা মাইনোরিটি লিশিং কয়ামরুম হাৎপীখিবা, ওরিষ্যাদা খৃষ্টান মাইনোরিটি হাৎপিবগী থবক চৎথখিবা মহারাষ্ট্রদা বিহারি তাথি তাওইনা তৌবিবা, রেলৱে রিক্রুট তৌবদা আসামদা বিহারিগা হাৎনা শুনবা থোক্লকপা, বিহারদা ফাওরগা লাকপা অসামগী ত্রেন লুৎ তৌবা, নুপী ওইবগী ঈজৎ খোংগাওনবা, এন ই গী মীওইশিং তাথি তাওইনা তৌরকপা লৈবাকসিগী কেপিতেল দিলিদা এন ই রিজনদগী লাকপা মঙ্গোলোইদশিংদা য়েংলিবা মীৎয়েং এন ই রিজন্দগী লাকপা নুপীশিংগী ঈজৎ খোংগোইনবিবা অৱাংবা থাক্কী কাষ্টশিংনা অনেম্বা থাক্কী কাষ্টশিংদা হন্থবা মীৎয়েং, দলিৎশিংবু হিন্দু লাইশংদা লাই খুরুম্বা চঙহনদবা হোতেলদা পুখম তেঙ্গোৎ অমসুং চা থকপগী গ্লাস দলিতশিংগীদমক্তা তোঙান্না শিজিন্নরিবা সাউথ ইন্দিয়াদা হিন্দু লোলবু কমন ওইনা শিজিন্ননিংদবা, থোকলিবা ইন্দিয়াগী সোসিয়েল ইশুশিং মদুদি কম্যুনেলিজম রিজনিলিজম কাষ্টিজম, রেসিজম ইথনিক সিটিনচিংবা খুদিংমক মপুংদা ইন্দিয়াগী হৌজিক চৎথরিবা সিস্তেম অসিগী খুদোলনি।

এন সি রিজনদা ইথনিসিটিগী চরাংনবা অমা থোকহন্দুনা লমদমশিদা লৈরিবা তোল্ল তারবা শুরি নোমলিবা খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুন্সিনমীনবদা মাই পাকত্রি, মণিপুরগী নাগানি হায়জবা মীওই খরনা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বা নাগালেন্দা পুনবা নৎত্রগা সাউথ নাগালেন্দ শেম্বগী এন্টি মৈতৈগী ৱাখলোন্দা দিমান্দ তৌরি। বোরোনা অসামদগী খাইদোক্লিংঙি, দিমাসানা দিমাপুর মখোয়গী ওইরম্বা অদু অমুক হনজিন্নবা হোৎনরি, গারোনা খাসিগা পুন্সিনবা পামদে, অরুনাচলদনা চকমানা মখোয়গী মফম অমা কনজনবা হোৎনরি, রীয়াংনসু মিজোরামদা লৈতাহনদ্রে, মণিপুরদা নাগা অমসং কুকীগী হাৎন শুনবা, পুন্নমকসি ইন্দিয়াগী হৌজিক চৎনরীবা সিস্তেম অসিগী মনুংদা থোকহল্লকপা ইথনিক আইদেন্টিটিগী ইশুদা লম/তেরিতোরিগা পুন্সিন্দুনা চৎনবা মীৎয়েংদগী ওইহল্লকই। মদুদি এন ইদা লৈরিবা তোল্ল তারবা লৌমী শিন্মীগী মরক্তা লোইবা নাইদ্রবা য়েংথিনবা থোক্লকপা হায়বশিদা লৈঙাকলোন মখা শাংথবা ওইথোকই।

মণিপুরদা ঙসি মীয়াম্না থেংনরিবা সোসিয়েল প্রোব্লেম হায়রগদি মণিপুরগী তেরিতোরিয়েল বাওন্দরি কায়হল্লকপা য়াবগী অকিবা অমসুং ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোইশিংনা মসিদা রাজনিতিগী মীৎয়েং থম্লকপদগী ফুরুপ মশেল খাইবুং খাইবুং তাহন্নবা হোৎনরকইবা, মদুনা লৈবাকশিদা চরাংনবা কয়া থোক্লকই, তোল্ল তারবা মীয়াম্না মদুগী পোৎলুম পুদুনা চৎলী। ত্রাইঙ্গুলর ফোর্স অহুমগী মুক্লবা মণিপুর খুন্নাইবা উবা ফংঙি, মদুদি (১) বৃটিস চৎখ্রবা মতুংগী ইন্দিয়াগী ইলিত গ্রুপ খরদা শিন্নরম্বা লৈঙাকলোইগী শক্তি, শেঞ্জাও পাইবগী নিতি, (২) এন্টি মৈতৈগী ৱাখলোন্দা য়ুম্বম ওইবা ইথনিক আইদেন্টিতিদা লমগী ৱা য়াওশিল্লক্লিবা মণিপুরি নাগা খরগী ফোর্স, (৩) চহী ২০০০ গী পুৱারিগী ৱারিদা য়ুম্বম ওইবা মণিপুর মীয়ামগী (য়েলহৌমী) মণিপুর নেসনেললিজমদা য়ুম্বম ওইরিবা মণিপুরগী ঙমখৈ কাইহন বা পামদবা ফোর্স। শক্তি অহুমশিগী ৱাখল্লোন মীৎয়েং মান্নদে, মখোয়গী পান্দম অপাম্বা তোঙান তোঙাল্লি। মরম অদুনা পান্দম তোঙানবশিং মান্ননবা হোৎনরকপদা ত্রাইঙ্গলুর ফোর্স অহুমগী মুক্লবা পোক্লকই।

অহানবগী ফোর্স , ইন্দিয়া লৈঙাক লোইশিংনা কেপিতেলিজম রেজিম মখা শাংথনবা হোৎনবা হায়বসি মখোইগী পান্দমনি, অনিশুবগী ফোর্স, এন্টি মৈতৈগী ৱাখল্লোন্দা য়ুম্বম ওইবা হায়বসিনা মণিপুরগী তেরিতোরিয়েল বাওন্দরিদা শীংনরী, কম্যুনেলিজম ৱাখলোন্দা য়ুম্বম ওইরি, মখোয়গী পান্দম ফংনবা হোৎনবদা গ্রেটর নাগালেন্দগী মঙ মংলি। অকোনবগী ফোর্স মণিপুরী নেনেসলিজমদা য়ুম্বম ওইবা মণিপুরগী বাওন্দরি কাইবা য়ারোই হায়বশিগী পান্দমদা থোক্লকইবা সোসিয়েল ইশু খুদিংমক থেংনবগী মায়োক য়ারি। অহানবা অমসুং অনিশুবা ফোর্স অনিসি অমরোমদা নেচরেল এলাইন্স ওইরী, হায়বদি কেপিতেলিষ্ট সিস্তেমগীদি কম্যুনেলিজম হায়বসি থাদোক্লবা য়াদবা মচৎ ওইরিবনি। অমরোমদা অএনিমি ওফ মাই এনিমি ইস মাই ফ্রেন্দন্দ হায়বশিগী মীৎয়েংদদি কম্যুনেল শাগৎপা পান্দবশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাকলোইগা মরুপ ওইরি। মখোয়গী শক্তি অসিগা মণিপুরি, মরমদমবু নুংশিজরিবা মণিপুর মীয়ামগী শক্তি অনিসিগী মুক্লবা সমাজদা থোক্লকই। মপুমদা য়েংবদদি ইন্দিয়াগী সিস্তেম অসিনা মীচম মীয়ামদা হাৎনা শুনহনবনি মসি মীচম মীয়ামগী অপুনবা শক্তিতনা সিস্তেম হোংবনা ৱাখৈনবা ওইগনি।